# এডভান্স লেপ্রোস্কোপিক লাইভ ওপরেটিং ৱার্কসোপ পাঙথোক্লুগদবা টিম গভর্ণরনা লমথাখ্রে

ইম্ফাল,মার্চ ৬ (এস এন এস) ঃ

এসোসিয়েসন ওফ মিনিমেল এসেস সর্জিন্স ওফ ইন্দিয়া (এমাসি) অমসুং য়ুনিভর্সিটি ওফ মেডিসিন মন দলেগী দিপার্টমেন্ট ওফ সর্জরিনা শীন্দুনা ম্যান্মারগী মন্দলেদা পাঙথোক্লদৌরিবা এডভান্স লেপ্রোস্কোপিক লাইভ ওপরেটিং ৱার্কসোপতা শরুক য়ারুগদবা টিম অমা ঙসি মণিপুরগী গভর্ণনর ডা নাজমা হেপ্তুল্লানা রাজ ভবনদগী লমথাখ্রে।

লমথাবগী থৌরম অদুদা শরুক য়াখিবা এসোসিয়েসন ওফ মিনিমেল এসেস সার্জন্স ওফ ইন্দিয়া(অমাসি) গী প্রসিদেন্ট ইলেক্ট ডা জুগিন্দ্রো এসনা হায়খি, ৱার্কসোপ মনুং অসিদা মন দলেগী মেডিকেল কোলেজতা লাইভ ওপরেসন তৌদুনা মখোয়গী সার্জনশিংদা ওপরেসন তৌবগী মওং তকপীবা অমদি ট্রেনিং তৌগনি। মখা তানসু মখোয়গী সার্জনশিংদা ট্রেনিং পীদুনা মেন্তর ওইনা লৌশিন্নবা পান্দমসিদা চঙশিল্লকপনি। ৱার্কসোপ অসি থা অসিগী ৪দগী ১০ ফাওবা নুমিৎ হুম্নি চত্থগনি।

অমাসিনা অসিগুম্বা প্রোগ্রাম অসি মমাঙদা শ্রীলঙ্কা,বাংলাদেশতা তৌখ্রে। হন্দক ম্যান্মারদা তৌগদৌরিবা অসিনা লৈপাক অসিগী অহানবা ওইনা পাঙথোকপনি। ৱার্কসোপ অসিগীদমক অমাসিগী মী ১১না শাবা টিম অমনা শরুক য়াগনি হায়নসু মহাক্না মখা তাখি।

মখা তানা মণিপুরগী গভর্ণর ডা নাজমা হেপ্তুল্লানা ৱার্কসোপ অসিগীদমক ম্যান্মারদা চৎকদৌরিবা অমাসিগী থৌমীশিংদা অশোয়–অঙাম য়াওদনবা য়াইফ–থৌনিসু পীখি।

# মীতৈ মচা মশেল মুক্নরকপদগী নুপী ইন্টরনেসনেল ফুটবোল প্লেয়র তরেৎ কট্টক কেম্পতগী চেঙ্হোরক্লে

ইম্ফাল, মার্চ ৬(এস এন এস) ঃ

মণিপুরগী নুপী ইন্টরনেসনেল ফুটবোল প্লেয়র তরেৎনা গোল্ড কপ অমদি তর্কিশ ৱুমেন্স গোল্ড কপকী মাঙওইননবা কট্টকতা পাঙথোকপা নেসনেল কেম্পতগী তোকথোক্লকর্কি–খবগী মতাংদা মখোয়গী ফিরেপ খঙহল্লদুনা ওল ইন্দিয়া ফুটবোল ফেদরেসনদা চিঠি অমা ইখ্রে। চিঠি অদু ফেদরেসনগী জেনরেল সেক্রেটরী কুশন দাসতা ইখিবনি।

ইন্টরনেসনেল প্লেয়র তরেৎ অদুনা কট্টক্কী কেম্প অদুদগী থোরকখিবগী ওফিসিয়েল ওইবা মরম অমত্তা পীখিদে। প্লেয়রশিং অসি জনুৱারি অমদি ফেব্রুৱারি থাদা শান্নখিবা ইন্টরনেসনেল মেটচ ১২দা য়াওখিদ্রবনি। ফেদরেসনদা পীখিবা চিঠি অদুগী পাউখুম অমা ফঙদ্রবসু টিমগী মনুংদা য়ানরক্তবগী মমিদি তারি হায়রি।

অসুম্না টিম মনুংদা মুক্নরকপা অসিনা ইন্দিয়াগী নুপী ফুটবোল টিম অসি চহী হৌরকপদা মঙারক মাই পাকখ্রবা মতুংদদি নেপাল অমদি ম্যান্মারগী মায়োক্তা মায়থিখ্রে। জনুৱারী থাদা ওরিষাদা পাঙথোকখিবা গোল্ড কপ ফাইনেল চঙবা ঙমখিদে। লোয়ননা তর্কিশ ৱুমেন্স কপতসু হায়থখিদুনা কাজাকিস্থানগী মখাদা হায়থখি।

স্ক্রোল ডোট ইন কৌবা ন্যুজ এজেন্সি অমনা ফঙবা প্লেয়র তরেৎনা ইবা চিঠিনা শীরিবা মরালদি,'নেসনেল টিমগী হেদ কোচ অমদি এসিষ্টেন্ট কোচনা টিম অসি পুনশিনবা ঙমদে অমদি তশেংনা হায়রবদা দিভাইদ এন্দ রূল শান্নদুনা কেম্প অমদি টিম অদু ফিভম চাহল্লক্তবনি।' টিম অসিগী হেদ কোচনা ম্যমোল রোকিনি অদুগা মহাক্কী এসিষ্টেন্টনা চাওবা দেবীনি।

কেম্পতগী থোরক্লিবশিং অদুগী মনুংদা ইন্টরনেসনেল গোল ৩৬ চনবগী মিংচৎ লৈরবী বালা দেবী য়াওরি।

চহী ২৯শুরবী মণিপুর পুলিসকী এমপ্লোই অসিগী মত লৌনবা হোৎনবদা ফঙবা ঙমখিদে। মহাক এ আই এফ এফকী ৱুমেন ফুটবোল ওফ দি ইয়ার অনীরক তাখ্রবীনি। অদুগা এম এ এফ এফ কপ ২০১৬তা ইনি দয়ানা মায় পাকখিবা মতম অদুদসু কেপ্টেন ওইখিবনি।

অতোপ্পা থোরকপদা য়াওরকপা মমিং লৈরবী প্লেয়র অমনা ইন্টর নেসনেল মেটচ ৬১রক শরুক য়াখ্রবা অদুগা এ আই এফ এফ ৱুৱেন ফুটবোলর ওফ দি ইয়ার,২০১৭ তাখ্রবী কমলা দেবীনি।

অতোপ্পা মতুংদা নেসনেল টিমদা য়াওবা ফঙলোই হায়বগী অকিবা লৈবদগী মমিং হায়দোক্লিংদবা প্লেয়র অমনা ফোঙদোক্লি,'চাওবগা ঐখোয়গগী মরক্তা লৈরক্লিবা প্রোব্লেম অসি কুইরক্লবনি। ঐখোয় খরদি মহাক্কী টিম ক্রিপসাদা শান্নদে। মণিপুরগী অতোপ্পা টিমদা শান্নে। মসিনা মরম ওইরগা প্লেয়র খরা খন্দাকপগী থবক চঁখে।

ইন্দিয়ানা ৱুমেন লীগকী লাষ্ট লীগতা চাওবা দেবী মণিপুর পুলিসতগী লোন ওইনা লৌরগা ক্রিপসাগীদমক শান্নখিবনি।

কট্টক্কী কেম্পতগী থোরকখিবা অয়াম্বদি শিল্লোংদা পাঙথোকখিবা হৌখিবা ইন্দিয়ন ৱুমেন্স লীগতা ইষ্টর্ন স্পোর্টিং য়ুনিয়নগীদমক শান্নখিবা ঙাক্তনি।

কেম্প অসিদগী থোরকখিবসি পুন্না প্লেয়র মাপলনি। মখোয়গী মনুংদগী অনীদি মখোয়গী অহল–লমনশিংনা কেম্পতা অমুক থাজিনি–খবনি।

প্লেয়রশিং অসিগা নক্কবা পাউগী লিখুন অমগী মতুং ইন্নদি প্লেয়রশিং অসিনা কোচ রোকিদা চাওবগী মওং–মতৌগী মতাংদা হায়খিবা লৈখ্রে। অদুবু মহাক্কী এসিষ্টেন্টনা কঙ্হোক্লকপদগী মখোয় পুন্না কেম্পতগী চেঙ্হোক্লকপদগী মরম ওইখিবনি হায়রি।

# রেগুলর ওইনা লৌশিনবীয়ু হায়বা দিমান্দদা ৱাকৎ মীফম চঙখ্রে

ইম্ফাল,মার্চ ৬ (এস এন এস) ঃ

মণিপুর ষ্টেট পৱার দিষ্ট্রিব্যুসন কম্পেনি লিমিটেদ (এম এস পি দি সি এল)দা মতম শাংনা লাইনমেন (জে টি এ) ওইনা থবক তৌরক্লবা শিন্নীশিংবু রেগুলর ওইনা লৌশিনবীয়ু হায়বা দিমান্দ তৌরদুনা ওল মণিপুর ক্লেজ ষ্টাফ য়ুনিয়ন্না শীন্দুনা কৈশাম্পাৎ পৱার হাউস কমপ্লেক্সতা ৱাকৎ মীফম অমা চঙখ্রে।

ৱাকৎ মীফম অদুদা শরুক য়াখিবা ওল মণিপুর ক্লেজ ষ্টাফ য়ুনিয়নগী জেনরেল সেক্রেটরী কোন্থৌজম স্বাদেশকুমারনা হায়খিবদা,কুমজা ২০১৪–১৫গী অদুৱাইদগী এম এস পি দি সি এলগী মখাদা লাইনমেন ওইনা থবক তৌরকখিবনি। লাইনমেন মরক্তগী মীওই খরা খনগৎতুনা ট্রেনিং পীরবা মতুং গুৱাহাটিদা বেজ তৌবা ক্লেজ কৌবা কম্পেনি অমদা লৈঙাক্কী তোঙান পোলিসি অমনি খুদোংচাবা য়াম্না ফঙনি হায়না শিন্নখি। কম্পেনি অসিদসু মতম শাংনা লাইনমেন ওইনা থবক পুজরক্লে।

হায়রিবা কম্পেনি অসিদা লৈরবদি খুদোংচাবা অমত্তা ফঙলরোই খঙলকপদগী লাইনমেনশিং অসিনা এম এস পি দি সি এলদা এবজোর্ব তৌবিয়ু হায়দুনা লৈঙাক্তা মেমোরেন্দম পীদুনা অমদি এজিটেসন কয়া তৌদুনা লাকপনি। অদুবু মতম–মতমদুগী লৈঙাক্না থৈদোক–থিজিন তৌরদুনা হৌজিকসু অদুম লৈজরি। হন্দক এম এস পি দি সি এলদা অহাংবা ফম খরা কৌবা অসিদা হান্নদগী লৈরিবা লাইনমেনশিং হান্না লৌশিনবীয়ু। অৱাৎপদুনা অনৌবা কৌবিয়ু হায়রুবদা এম এস পি দি সি এলগা হিরম অমত্তদা মরী লৈনদে হায়না ফোঙদোকপীরকপসি পেন্দে। অদুনা মীওইবগী মীনুংশি য়েংদুনা হান্নগী লৈজরিবা লাইনমেনশিং অসি এম এস পি দি সি এলদা অনৌবা থবক কৌরিবা অসিদা হান্না পাইওরিটি পীবিয়ু হায়খি।

# অঙাং ফানবা হোৎনরম্মী হায়বা নুপী অমা পুলিসতা শিন্নখ্রে

ইম্ফাল, মার্চ ০৬ঃ

চহি ৩.৫ রোমগী অঙাং অমা ফারগা পুনবা হোৎরম্বা নুপী অমা লৈকায় মীয়াম্না ফারগা ফুগায়রবা মতুং পুলিসতা শিন্নখ্রে।

থৌদোক অসি ঙসি নুমীৎয়ুংবা পুং ১২.৩০ রোম তাবা মতমদা ইম্ফাল ইষ্ট দিষ্ট্রিক্টকী লম্লাই পুলিস ষ্টেসনগী কোনবা শওম্বুং কবুই খুঞ্জাওদা থোকখিবনি।

লৈকায় মীয়াম্না পুলিস শিন্নখ্রবা নুপী অদুগী মমিং শেরাম সন্ধ্যারানি (৩৫) কৌই। লম্লাই দিষ্ট্রিক্টকী নাপেট পল্লিদগীনি। মহাক্কী মমা নত্তনা কনাম্মতা লৈত্রে হায়রি।

থৌদোকসিগী মতাংদা প্রেসনা ফংবা পাউনা হায়, ঙসিগী পুংফম অসিদা সন্ধ্যারনি অসি অঙৌবা মচুগী হোন্দা এক্টিভা অমদা নুপা অমনা শওম্বুং কবুই খুঞ্জাও ফাওবা থিল্লক্লম্মী। ইকান কান্নদনা মী লৈতবগী অচেংবা তঞ্জা লৌরগা সন্ধ্যারানিনা শওম্বুং কবুই খুঞ্জাওগী পাষ্টর ওইবা মীওই অমগী পিক্লিবা মচাবু শুমাংদগী মখুৎ শল্লগা পুথোরক্লগা মিটর ২০০ রোম চৎলবা কান্দা লৈকায় মীয়াম্না খঙনরকপদগী তান্নরগা ফাখি। খরা ফু–চৈবা তৌদুনা ৱাহং–পাউহং তৌবদা করিমত্তা খুমদে হায়রি। মহাক কোক্কী অনাবা লৈবা মীশক্লী হায়রি। তুংদা মীয়াম্না লম্লাই পুলিস ষ্টেসনদা শিন্নখ্রে হায়রি।

# অঙাং লাক্ষ ৩দা পোলিও...

*লমায় ১গী মখা* মফম খুদিংমক্তা হিদাক য়ৌখ্রে। ইম্যুনাইজেসন অসি দিষ্ট্রিক্ট ১৬ মক্তা লোইনা তৌগনি। অনৌবা দিষ্ট্রিক্টশিং অসিদি অরিবা দিষ্ট্রিক্টশিংগী মখাদা পায়খৎকনি। ইম্যুনাইজেসন প্রোগ্রাম অসিগীদমক পুন্না বুঠ ৩,৬১৮ হাংদোক্লে, লোয়ননা মসিগীদমক সুপরভাইজর ৭২৪ অমসুং ভেক্সিনেটর ১৪,৪৭২ হাপ্তুনা থন্নে। লোয়ননা ষ্টেট ওবজার্ভর ১১ সু হাপ্লগা লৈরে হায়খি।

হিদাক পীথক্কদবা নুমিৎ অসিদা মীয়াম্না বন্দ ব্লোকেদ অমসুং জেনরেল ষ্ট্রাইকনচিংবা তৌবিদনবা আপীল তৌবগা লোয়ননা আই পি পি আইগী মথৌ তৌরিবা মীওইশিংবু অয়েৎ অপন পীবিগনু হায়খি।

ষ্টেট নোদেল ওফিসার ইম্যুনাইজেসন ডা. টি ঐচ নন্দকিশোরনা হায়, হৌজিক ষ্টেট অসিগী মফম ১২৬ তা কোল্ড চেইন পোইন্টশিং হাংদোক্তুনা লৈরে। মসিগী মনুংদা মমাংগী চহীশিংদা অচৌবা প্রোব্লেম ওইদুনা লৈরক্লবা নিউ সোমতাল অমসুং পাটপুইমুন, সিবপুরিখালনচিংবা মফমশিংদা হৌজিক্তি কোল্ড চেইন পোইন্টশিং হাংদোক–খবগা লোয়ননা মফম অদুদা হিদাকশিং মপুং ফানা য়ৌহনবা ঙম্লগনি হায়খি।

অঙাংশিংবু মপুং ফানা পোলিও হিদাক পীথকপীদুনা লায়না অসিদগী ঙাকথোক্লবা হোৎনবদা মীয়াম্না মতেং পাঙবীয়ু হায়খি।

# ৱেজেস পীথোক্ত্রবদি থবক লেপ্লগনিঃ এসোসিয়েসন

ইম্ফাল,মার্চ ৬ (এস এন এস) ঃ

ৱার্ড দিভলপমেন্ট কম্মিটি স্কিল্ড এন্দ অন–স্কিল্ড ম্যুনিসিপাল কাউন্সিল ৯ হায়বদি,ককচীং,ময়াং ইম্ফাল,থৌবাল,নম্বোল,ইম্ফাল কো–ওপরেসন,বিষ্ণুপুর,নিংথৌ–খাঙ,মোইরাং অমদি জিরিবামগী ষ্টাফশিংগী থা ১৮গী ৱেজেস অথুবা মতমদা পীথোকউ হায়না ঐচ নাওবোই সিংহনা ফোঙদোকখ্রে।

ঙসি নুংথিল মণিপুর প্রেস ক্লবতা পাঙথোকপা পাউগী মীফমদা ওল মণিপুর ৱার্ড দিভলপমেন্ট কম্মিটি স্কিল্ড এন্দ অন–স্কিল্ড লেবর এসোসিয়েসন মণিপুরগী সেক্রেটরী ঐচ নাওবোইনা মথক্কী ৱাফমসি ফোঙদোকখিবনি।

পাউগী মীফম অদুদা মহাক্না মখা তারদুনা হায়,থা ১৮গী ৱেজেস অসি মার্চ ১১ ফাওবগী মনুংদা পীথোক্ত্রবদি সোলিদ ৱেষ্ট প্রোগ্রাম লেপ্পা য়াওনা মখল–মখাগী খোঙজং চঙশিল্লগনি। থা ১৮গী ৱেজেস পীথোকপিয়ু হায়দুনা মরী লৈনবা মিনিষ্টর,দাইরেক্টর অমদি মরী লৈনবা দিপার্টমেন্ট দিপার্টমেন্টতা কুমজা ২০১৮গী দিসেম্বর ১১দসু পীশিনখিবনি।

পীশিনখিবা চেরোলশিং অদুগী পাউখুম ঙসি ফাওবা পীরক্তবা অমসুং থবক্তা ওহ্লোকপীদবনা ওল মণিপুর ৱার্ড দিভলপমেন্ট কম্মিটি স্কিল্ড এন্দ অন–স্কিল্ড লেবর এসোসিয়েসন,মণিপুরনা মথক্কী ৱারেপসি লৌবনি হায়খি।

# আই এ এস ওফিসার ৬...

*লমায় ১গী মখা*(এস সি ঈ আর টি/রেভিন্যু),এম য়াইস্কুলনা সেক্রেটরী কম–কমিস্নার (সাইন্স এন্দ টেক্নোলোজি), বোবি ৱাইখোমনা সেক্রেটরী কম–কমিস্নার (য়ুঠ এফিয়ার্স এন্দ স্পোর্টস/সি এ এফ এন্দ পি দি),রাধামনি মুতুমনা ষ্টেট ইলেক্সন কম্মিসনগী সেক্রেটরী অমসুং ঈ/ও জোইন্ট সেক্রেটরী (আর্ট এন্দ কম্মর্স) এন্দ এ ও/ এম এস এফ টি আই ওইরগনি। সামিম অহম্মদ সাহনা এ দি ইম্ফাল ইষ্ট,পি দি/দি আর দি এ ইম্ফাল ইষ্ট এন্দ সি ঈ ও/ইম্ফাল ইষ্ট জেদ পি এন্দ ঈ সি ও/দব্লিয়ু এ কে এফ বোর্ড পুরগনি।

অজিজুর রহম্মননা লিল্লোংগী বি দি ও,সেলিনা থৌনাওজমনা জেনিমসকী দেপ্যুটি দাইরেক্টর,চান্দম বোবোনা নম্বোলগী এস দি ও /বি দি ও,লিয়ানমিন্থাং সিমতেনা এস দি ও /বি দি ও,স্বাংদো এন্দ এস দি ও/বি দি ও মৱালম,পাঙম্বম য়াইতোংবনা মোইরাংগী এস দি ও,সামসন হুইদ্রোমনা লিল্লোংগী এস দি ও,মায়েংবম ইঙোচানা থৌবালগী বি দি ও অমসুং এম দি অসরফ অলিনা ৱাংজিংগী বি দি ও ইন–চার্জ ওইরগনি হায়রি।

# নোর্থ ইষ্টকী ওইনা থৌবালনা...

*লমায় ১গী মখা* দাইরেক্ট ওবজার্ভেসন স্কোরদা ৯৪৪ অমসুং সিতিজেন্স ফিদবেকতা ৮০৬ ফংখি।

অহুমশুবা খ্বাইদগী নানবাসিতি তাখ্রবা ককচিং ম্যুনিসিপাল কাউন্সি–লনা কুম ২০১৮গী স্বাছ সভেক্সনদা জোনেল লেভেলদা অহানবা মফমদা লৈখিবনি। য়ু এল বি অসিনা অুপনবা মার্ক লিশিং ৫ গী মনুংদা মার্ক ২০৩২ ফংখি। সর্ভিস লেভেল প্রোগেসতা মাচ ১৭৮,সর্তিফিকেসন স্কোরদা ১৫০, দাইরেক্ট ওবজার্ভেসন স্কোরনা ৮০২ অমসুং সিতিজেন ফিদবেক স্কোরদা মার্ক ৯০২ ফংখি। অপুনবা মীশিং লিশিং ২৫ গী মখাদা লৈবা সিতিশিংগী কাঙলুপতা খ্বাইদগী নানবা সিতি তাখ্রবা ময়াং ইম্ফাল ম্যুনিসিপাল কাউন্সিলনা অপুনবা মার্ক লিশিং ৫ গী মনুংদা ১৯৩৯ ফংখি। বেষ্ট সিতি– সিতিজেন ফিদবেক তারবা লম্লাই নগর পঞ্চায়টনা অপুনবা মার্ক লিশিং ৫ গী মনুংদা মার্ক ১৭৫৭ ফংখি। লোয়ননা ইনোভেসন অমসুং বেষ্ট প্রেক্তিসকী বেষ্ট সিতিগী মনা ফংখ্রবা নিংথৌখোঙ ম্যুনিসিপাল কাউন্সিলনা মার্ক লিশিং ৫গী মনুংদা মাচ ১৩৩২ ফংখি।

# হৈঙাং এসেমব্লি কন্সটিটুয়েন্সিদা থোং ৫ শাননবা চীফ মিনিষ্টর মশানা ঊরেপ–উয়ুং তমখ্রে

ইম্ফাল, মার্চ ৬(এস এন এস) ঃ

মণিপুর মীয়ামগী য়াইফনবা থবক–থৌরম তৌনবগী লৈঙাক্তা পৈশা ৱাৎতে হায়না ঙসি ইম্ফাল ইষ্টকী হৈঙাং ময়াই লৈকাই,খোঙনাং খোঙ লম্পাক্তা পাঙথোকখিবা ইম্ফাল তুরেলগী মথক্তা থোং ৫(মঙা) শানবগী ঊরেপ–উয়ুং তম্বগী থৌরমদা অথোইবা মীথুংলেন ওইখিবা হৈঙাং কেন্দ্রগী এম এল এসু ওইরিবা চীফ মিনিষ্টর এন বিরেননা ফোঙদোকখ্রে।

মহাক্না মখা তানা হায়–খ,শাগদৌরিবা থোং মঙা অসি মহাক্না এম এল এ ওইরিঙৈ মতমদগী তান্নরকপনি। অদুবু লাইবক ফবদি হৌজিক্তি অয়াবা ফঙদুনা খ্বাইদগী নৌবা দিজাইন্দা থোং মঙা অসি শাবা হৌরগনি।

শাগদৌরিবা থোং মঙা অসি ক্রোর ৩৫মুক চঙনা শাগদৌরিবনি। চহী অমগী মনুংদা মীয়ামদা খূৎশিন্নবা পান্দম থল্লি। বি জে পিনা লুচিংবা লৈঙাক অসি লাকপদগী মীয়ামগী য়াইফনবা থবক কয়া তৌখ্রে। বি জে পিদি চীনগা–খূৎকা মান্নে। মমাঙদা পাল্লম্বা লৈঙাক্না মীয়ামগী য়াইফনবা থবক থৌরম কয়া তৌবীরমদ্রবনা মণিপুর অসি হিরম কয়াদা অৱাবা মায়োক্নরম্বনি। অদুবু বি জে পিগী লৈঙাক লাকপদগী অহোংবা কয়া লাক্লে। চহী মরি–মঙাগী মতুংদদি য়াম্না চাওনা অহোংবা অমা লাক্লগনি।

মহাক্না মখা তানা হায়, তমেংলোং,উখ্রুল,সেনাপতিদা থা তরুক,তরেৎকী মনুংদা নুপী ঙাক্তগী ওইবা কৈথেল শাবা লোইদুনা শঙ্গা–খবা লৈখ্রে। লৈঙাক অসিনা মতম পূম্নমক্তা থবক্না উৎকনি। ওপোজিসন্দা লৈরিবা কাঙবুনা লৈঙাক অসিনা পায়খৎলিবা চাউখৎ–থৌরাংশিংদা কল্লক্তুনা অশোয়বা থিরগা ঈরাং শাগৎতুনা লৈরে। লৈঙাক অসিনা হৌদোকখিবা গো টু হিলস,গো টু ভিলেজ হায়বা স্কিম অসিগী মতৌ তমদুনা মখোয়সু গো টু পঞ্চায়ট হায়বা অমা হৌদোরকপা থেংনরিবসি ফৈ। কোংগ্রেসতি মাগী–মাগী লোকেল ফন্দ লোইদ্রিফাওবা ক্বার্টরদা লৈরগা ভোট ময়াদা কেন্দ্র চৎপা কাঙবুনি হায়নসু মহাক্না মখা তাখি।

থৌরমদুগা মরী লৈননা মহাক্না মীয়ামদা লাউথোক্লদুনা হায়,হৈঙাংগী ইবুধৌ মারজিংগী অকোয়বদা টুরিষ্ট স্পোট ওইনা শেমগৎপা হৌরিবসি ক্রোর ২৭মুক চঙনা শেমগদবনি। মতম খরগী মতুংদা অহোংবা অমা কেন্দ্র অসিগী মীয়ামনা শোয়দনা উরগনি। লোয়ননা হৈঙাংগী মারজিং চীংদগী লাঙ্গোলগী ইম্ফাল ভিয়ু চীং দোনফাওবা রোপ ৱে শেমগনি। মসিদা পুন্না ক্রোর ৩৬০ মুক চঙগনি পানরি অমসুং থাঙ্গা অমদি চাওবা চীং অনীসি রোপ ৱে শেম্নবা থৌরাং তৌরিবা মসিসু পুন্না লুপা ক্রোর ২৬৫মুক চঙগনি। থাঙ্গাগীসিনা হান্না শেম্নবা হোৎনরি।

হিরম অসিগী মতাংদা মরী লৈনবশিংগা খন্নবা লোইরে। লোয়ননা ইবুধৌ মারজিং খিনগদবা শগোলগী ষ্টেচ্যু শাবা লোইশিল্লক্লে হায়না ফোঙদোকখিবগা লোয়ননা লমদমসিগী থবক ফঙদ্রিবা নহারোলশিংগীদমক্তা লৈঙাক অসিনা হোৎনবা য়াবা হোৎনরি। লমদমসিগী মীয়াম্মসু মাইনোরিটি,মেজোরিটি,চীং–তম হায়বা ৱাখল্লোন থাদোক্লদুনা চাউখৎ লমজেলদা য়াওদুনা হেন্না ফবা লমদম অমা ওইহন্নবা হোৎনমিন্নসি হায়না মহাক্না মখা তানা ফোঙদোকখি।

ঙসিগী থৌরম অদুগী থৌরম মপু ওইখিবা ৱার্ক্স মিনিষ্টর টি ঐচ বিশ্বজিৎনা হায়,বি জে পিনা লুচিংবা লৈঙাক অসিনা লমদম অসিগী চাউখৎ–থৌরাংগীদমক সেন্টরদা হায়জবদগী লুপা ক্রোর ২৯৬৫কী সেঙ্কসন তৌবীরক্তুনা চাউখৎ–থৌরাংগী থবক কয়া পাখৎলক্লি। কেন্দ্র অসিদা শাগদৌরিবা থোং অসি ইনৌনৌবা মোডেলদা শাগদবনি। বি জে পি লৈঙাক্না পুরক্লিবা অহোংবা অসিগী মহাও মীয়াম্না য়েংবীয়ু। লৈঙাক্না অফবা থবক তৌরকপদা ওপোজিসন্না নুংঙাইতবা হায়বসি মহৌশানি। মীয়াম্না করম্বা পার্টিনা মীয়ামগী থবক তৌবা–তৌদবা হায়বদু নীংথিনা নৈনবীরগা য়েংবিয়ু হায়খি।

থৌরম অদুদা ককচীং এ সিগী এম এল এ সুরচন্দ্র,কুম্বী এ সিগী এম এল এ বিরা,চিঙাই কেন্দ্রগী এম এল এ খাসিস ভাসুম,নাওরিয়া পাখঙলাকপা এ সিগী এম এল সুভাসচন্দ্র,ওইনাম কেন্দ্রগী এম এল এ রাধাকিশ্বর অমসুং ৱাঙ্গৈই কেন্দ্রগী এম এল এ লুখোইসু শরুক য়াখি।

# কোংগ্রেস অমসুং বি জে পি ওইরবদি হনবিখো হায়রক্লে–হংখনপাও

ইম্ফাল, মার্চ ০৬ ঃ হন্দক্কী এম পি ইলেক্সনগীদমক্তা জনতা দল (য়ুনাইটেদ)না ইলেক্সন কেম্পেইন চৎপদা কোংগ্রেস অমসুং বি জে পি ওইরবদি ভোট খোমলক্কনু মফমসি থাদোক্তুনা চৎখো হায়না মীওই কয়ানা ফোঙদোরকই। অসিগুম্বা থৌওং অসিদি য়াম্না ইকায়বা ফাওই হায়না জনতা দল (য়ুনাইটেদ) মণিপুর ষ্টেট য়ুনিটকী প্রসিদেন্ট হংখনপাওনা পাউমীশিংদা ফোঙদোকখ্রে।

ইম্ফাল ইষ্টকী মনুং চনবা হট্টাদা লৈবা জে দি (য়ু)গী ওফিস্তা ঙসি অয়ুক পাঙথোকপা পাউগী মীফমদা হংখনপাওনা মখা তারদুনা মায় জনুৱারিগী ১৫ দগী কেম্পেইন চত্থ–বা হৌবনি। পার্টি লিদরস, লোকেল লিদরশিং তানরবা তুংদা থা ১ মখায় চুপ্পা কেম্পেইন অসি চত্থখিবনি। জে দি (য়ু)গী থৌমীশিং অমসুং মহাক্না লোয়ননা চত্থখিবা কেম্পেইন অদুদা মীওই খরনা কোংগ্রেস অমসুং বি জে পি ওইরবদি চৎপিখ্রো হায়রকখি। পার্টি অনী অসি মীয়াম্না পাম্নদ্রে হায়বা ময়েক শেংনা তাক্লে। কোংগ্রেসনা চহী ১০ গী মথক্তা মণিপুরদা লৈঙাক পায়খ্রবনি। অদুবু মখোয়না লৈঙাক পায়রিঙৈদা চত্থখিবা নিয়ম কায়বা থবকশিং অমসুং শেঞ্জা থুমজা কয়াদুনা মরম ওইদুনা মীয়ামম্না কোংগ্রেস য়াদ্রিবনি। বি জে পি লৈঙাকসু কোংগ্রেস লৈঙাক্তগী করিসু তাদে হায়বা মীয়াম্না খঙনরে। পার্টি অনী অসিনা লৈঙাক পায়বদা নোর্থ ইষ্টকী মীয়ামদি ৱাবগী পন্দাম লোম্মী। বি জেপি অমসুং কোংগ্রেস থাজবা য়াবা পার্টি নত্তে হায়নসু ফোঙদোরকই হায়না পাউদম্মী। মহাক্না মখা তারদুনা হায়, থা অসিগী ৪ দা বিহারগী পতনাদা পাঙথোকখিবা জে দি (য়ু)গী মীফমদা এন দি এ মশেল সিট এজসমেন্ট তৌবনা ফৎত্রা হায়বগী পাউখুম বিহারগী সি এমসু ওইরিবা নিতিসকুমারনা ফোঙদোকখ্রে। সিট ৪০ গী মনুংদা এল জে পি অমসুং বি জে পি য়েৎনরগুমসি হায়না য়ানখ্রে। এল জে পিগী ওইনা সিট ৬ থল্লগা লেমহৌরিবা সিট ১৭–১৭ য়েন্নবদা য়ানখে হায়নসু পাউদমখি।

# রাম মাধব: মণিপুর লৈঙাক ইন্থুবা কনাগীসু মতিক...

*লমায় ১গী মখা*

হন্দক্কী এসেমব্লি সেসন্দা তৌরিবদুনি। বি জে পিগী সেন্টরগী লুচিংবশিংনা মণিপুরগী লৈঙাক্কী ৱাতাই হায়না ফোঙনা হায়রিবদুনি। মদু তাবদুনবু বিল পুথোকখিদবনি হায়না ফোঙনা লাওবা ঙম্লিবনি। মণিপুরগী বি জে পিগী ৱা তাবি হায়রবনিনা মণিপুর পিপল বিল অমসুং ১৫ শুবা ফাইনান্স কম্মিসনগী ৱাফম অদু য়াহনবীয়ু হায়বীয়ু হায়রক্লিবা অদুনি। মদুসু তৌগনি হায়না ইকাই খুম্ননা ফোংদোকখিবনি। লমদম অসিগী য়েলহৌমীশিং ঙাক শেন্দুনা লৈগনি হায়খি।

বি জে পিবু শোক্লা পন্নবা য়াদবা কাঙলুপ অমগুমনা য়েংবিখিবা মীৎয়েং অদু পেন্দে হায়না মহাক্না মখা তানা ফোঙদোকখি।

লাক্লিবা মীখল অসিগী মতুংদা নরেন্দ্র মোদি শোয়দনা হনলক্লগনি। হন্দক পি ও কেদা তৌরুরিবা থৌওং অসি ইন্দিয়াগী লুচিংবা অমত্তনা তৌবা ঙম্লমখিদ্রবা থৌওংনি হায়খি। লোয়ননা নরেন্দ্র মোদি অমুক হন্না লাকহন্নবা অমসুং সিট অনিমক বি জে পিনা লৌনবা ৱার্কর খুদিংমক্না তুম্বা চাবা খঙদনা হোৎনমিন্নসি হায়খি।

থৌরম অদুদা বি জে পিগী নেসনেল জেনরেল সেক্রেটরি রাম মাধবনা হায়, লাক্লিবা পার্লিয়ামেন্ট মীখল অসিদা বি জে পিনা পুন্না সিট ৩০০ গী মথক্তা ফংগনি হায়না পারি। মসিদা মণিপুরগী সিট অনি অসি পারিবনি।

হৌজিক মণিপুরদা মীয়ামগী থবক তৌবদা মায় পাক্লবা লৈঙাক অমা চহী অনি মায় পাক্লা চত্থদুনা লাক্লি। পার্টিশিং পুনশিনলগা শেম্বা লৈঙাক অসিদা সপ্পোর্ট তৌরিবা এন পি পি অমসুং এন পি এফপু থাগৎপা ফোঙদোকপগা লোয়ননা লৈঙাক অসিদা শৌগৎলিবা অতোপ্পা পার্টিশিংবুসু থাগৎলি হায়খি।

লৈঙাক অসিবু ইন্থুনবা হোৎনরকপা খুদিংমক কৈদৌঙৈদসু মায় পাকহল্লোই। নখোয়না লৈঙাক অসিবু ইন্থুনবা থৌরাং লৈরে হায়না খনবা মীকুপ্তা ঐখোয়না কৈদৌঙৈদা তুমদুনা লৈরোই। নখোয়না খোঙফম অমা থাঙজিল্লকপদা ঐখোয়না খোঙফম মরি থাঙজিল্লকনি। ঐখোয়গী ওইবা তোঙানবা থৌরাং লৈজে।

কনাগুম্বা অমত্তনা লৈঙাক অসিবু ইন্থুবা ঙম্লোই। লৈঙাক অসি মণিপুর মীয়ামগীদমক লৈরিবনি, মখা চানা চহী অহুম মীয়ামগী সেবা তৌদুনা টার্ম মপুং ফানা চৎপা লৈঙাক ওইহনগনি। মসিগী মতাংদা কনাগুম্বা অমত্তনা লান্না উবিগনু। মখোয়না খোঙথাং অমা থাঙবা মতমদা ঐখোয়না খোঙথাং মরি থাংগনি।

চহী অনি অসিদা লৈরিবা এচিভমেন্টশিং অসি য়েংলগা মণিপুরদা বি জে পিনা সিট অনিমক শোয়দনা মায় পাক্কনি হায়বগী থাজবা লৈ হায়খি।

মণিপুর অসি য়াম্না পোটেন্সিয়েল লৈবা লৈবাক অমা ওইবনা খা নোংপোক এসিয়াগী লৈবাকশিংনা মণিপুরদা অখন্নবা মীৎয়েং থমদুনা লাক্লি। মণিপুর অসি চাউখৎপা লমদম অমা ওইবা য়াবগী খুদোংচাবা কয়া লৈরিবা অসি লেম্না মাঙহনবা চুম্লোই।

মসি হেন্না মায় পাক্লা চংশিনবা ঙম্নবগীদমক মরা চেৎপা লৈঙাক অমা লৈহনবা চংই।

লমদম অসিদা প্রাইম মিনিষ্টর নরেন্দ্র মোদি, নেসনেল প্রসিদেন্ট আমিট সাহনচিংবগী মতেংগা লোয়ননা লৈঙাক চুপ্পি পায়রি। অসিগুম্বা লৈঙাক অসিবু ইন্থুনবা কৈদৌঙৈদা হোৎনরোইদবনি। মীখল অসিদা মায় পাক্লা সিট অনিমক ফংগে হায়রবদি এম পি সিট ৱাখল্লোন অমত্তা ওইনা পুন্না চংশিনমিন্নবা চংই।

থৌরম অদুদা বি জে পিগী ষ্টেট প্রসিদেন্ট কে ভাবানন্দ সিংহ, পার্টিগী মিনিষ্টরশিং হান্নগী প্রসিদেন্ট ওইরম্বশিং, এম এল এশিংসু শরুক য়াখি।

# হেরোইন ফাই হায়বগী য়ূম থাদোক্লবা কিহনবগী মায়োক্তা ৱাকৎখ্রে

ইম্ফাল, মার্চ ৬ ঃ হেরোইন নম্বর ফোর পিস অমগা লোয়ননা মহাক্কী মকুবোকপু য়ুনাইটেদ মিনুথোং গোলাপতি দিভলপমেন্ট কম্মিটিনা ফাই হায়বগী মরাল শীদুনা ময়ূম অমদি গোলাপতি থাদোক্তুনা চৎখ্রো হায়না কিহল্লে হায়বগীদমক হত্তা গোলাপতিদগী মহমদ সজিদকী লোয়নবী সজিদা বেগমনা থাঙ্গৎলকপা ৱাকৎ অমা মণিপুর হ্যুমেন রাইটস কম্মিসননা লৌখ্রে।

ৱাকৎ অসিগী মতু ইন্না গোলাপতি দিভলপমেন্ট কম্মিটিনা হেরোইন নম্বর ফোর পিস অমগা লোয়ননা ফাই হায়বগী মরাল শীজিন্দুনা মখোয়গী ইমুং মনুংবু কিহল্লে। মখোয়গী ইমুং মনুংবু মার্চ ৩, ২০১৯ গী ফাওবগী মনুংদা মখোয়গী ময়ূম অমদি হত্তা গোলাপতি থাদোক্তুনা চৎখ্রো হায়না কিহনবগা লোয়ননা মখোয়গী ময়ূম থোঙ লোনশিনবিরে হায়রি।

ৱাকৎ অসিগী মতুং ইন্না গোলাপতিদগী লৈখিদ্রবা মহমদ আলিগী মচানুপা মহমদ মুবারক অলু বুক্স, লৈখিদ্রবা কমলগী মচানুপা মহমদ জুলফিকার অমদি কুতুবুদ্দিনগী মচানুপা মহমদ মুজিদুর রহমনগী মথক্তা প্রাইফেসি কেস লৈরে হায়না লৌরদুনা প্রোটেক্সন ওফ হ্যুমেন রাইটস এক্ট ১৯৯৩ গী সেক্সন ১২ গী মখাদা কেস রেজিষ্টার তৌবগা লোয়ননা মণিপুরগী দি জি পিদা মরিক চুম্না ইনক্বারি তৌরগা রিপোর্ট মার্চ ১৯, ২০১৯ ফাওবগী মনুংদা থাগৎলক্নবা খঙহনখ্রে।

মথংগী প্রোসিদিং মার্চ ১৯, ২০১৯ দা অমুক পাঙথোক্কনি।

# এন এস সি এন (আর)নি চিংনবশিংনা শিন্মী অহুম ফাখ্রে

ইম্ফাল, মার্চ ০৬ঃ

নেম্নেল হায়ৱে–২, ইম্ফাল দিমাপুর লম্ব শেম্বগী থবক শুবা শিনক্মী অহুম এন এস সি এন (রিফোর্মেসন)গী চীংনবশিংনা ফাখ্রে। থৌদোক অদুবু কুকি ইনপি কাংপোকপি (কে আই কে) অমসুং কুকি তাউন কম্মিটি (কে টি সি)না কন্দেম তৌবগা লোয়ননা তেক্তা কায়দনা থাদোরক্লবা অপিল তৌখ্রে।

পাউ অসিনা হায়, শিন্মী অহুম ফা–খবগী থৌদোক অদু ঙসি অহিং নোংয়াই মতুং পুং ১ রোম তাবা মতমদা কাংপোকপি দিষ্ট্রিক্ট হেদক্বাটর অমসুং চাঙৌবুং ভিল্লেজগী লোন্নবদা থোকখবনি। এন এস সি এন (আর)গী কেদরনি চিংনবশিংনা ফাখ্রবা মীওই অহুম অদুদি ভারত্তিয়া ইনফ্রা প্রাইভেট লিমিটেদকী শিন্মী অমুচৌ এলাইজ গোপাল, বিজয় অমসুং তেম্বনি হায়রি।

থৌদোক অদুবু কে আই কে অমসুং কে টি সিনা অকনবা মওংদা কন্দেম তৌবগা লোয়ননা ফাখিবা শিন্মী অহুম অদু তেক্তা কায়দনা থাদোরক্লা অপিল তৌরি। করিগুম্বা শিন্মী অহুম অদু তেক্তা কায়দনা থাদোরক্তা তারগদি পামদবা থৌদোকশিং থোক্লককনি হায়রি।

# য়ু এন এল এফ অমা ফরে

ইম্ফাল, মার্চ ০৬ঃককচিং দিষ্ট্রিক্ট পুলিসকী কম্মান্দো অমসুং ৩৯শুবা অসাম রাইফলসকী কম্বাইন্দ টিম অমনা য়ুনাইটেদ নেম্নেল লিবরেসন ফ্রন্ট (য়ু এন এল এফ) কেদর অমা ফারে হায়রি।

পুলিসতগী ফংবা পাউনা হায়, ককচিং দিষ্ট্রিক্টকী কৈরক্কী এরিয়াদা য়ু এন এল এফকী কেদর খরা লৈরে হায়বগী অকক্লবা পাউ অমা ফংবদগী কম্বাইন্দ টিম অসিনা ঙসি নুমীৎয়ুংবা অদুৱাইদগী হৌনা ইন্দো বর্মা সুগ্নু রোদকী কৈরক কৈথেল মনাক্তা ফ্রিস্কিং এন্দ চেক্কিং চত্থখি। মদুদা চিংনিঙাই ওইবা মওংদা লাকখিবা মীওই অমা খাল্লগা ৱাহং–পাউহং চত্থবদা লমজাও মখা লৈকায়দগী থৌনাওজম জেমসন সিংহ (৩৪) এলাইজ তাহনবা অপোকপা কেসোনি হায়বা খঙবা ঙমখি। মহাকপু মখা–তানা ৱাহং–পাউহং চত্থবদ মহাক কুমজা ২০০৩দা লালহৌলুপ য়ু এন এল এফতা য়াওবগা লোয়ননা থা ৩ গী ট্রেনিং ফংলবা লালহৌলুপ অসিগী কেদরনি হায়দোকচরকপদগী মহাকপু নুংথিল পুং ২.১৫ তাবা মতমদা ফরগা ককচিং পুলিস ষ্টেসনদা খুৎশিন্নখ্রে হায়রি।

# মার্চ ২০দা রাহুল গান্ধি...

*লমায় ১গী মখা* কোংগ্রেস কম্মিতিগী প্রসিদেন্টশিং, ফ্রন্টেল অমসুং সেলগী চীফশিংগী ওইবা মীফম অমা পাঙথোক্তুনা খন্নগনি।

মীফম অসিদা মপুং ওইনা রাহুল গান্ধিগী খোঙচৎ অমসুং রাহুল গান্ধীগা য়ুনিট প্রসিদেন্টশিংগা উন্নদুনা মীফম পাঙথোক্লবগী মতাংদসু খন্নগনি হায়রি।

লাক্লিবা মীখল অসিগা মরি লৈননা পোলিতিকেল পার্টিশিং মীখল অসিগীদমক শেম শাবগী থবক পায়খৎপা হৌরে।

১৭ শুবা লোক সভাগী মীখল অসিদা এন বিরেননা লুচিংবা লৈঙাক অসিদা পুন্না চৎমিন্নরিবা নেসনেল পিপল পার্টিগী মায়কৈদগী মীখল অসিদা ইন্নর অমসুং আউটর পার্লিয়ামেন্টরি কন্সটিট্যুয়েন্সিদা মীরেপশিং থাদোক্লবা শেম শারে হায়রি।

পার্টি অসিগী মকোকথোংবা লুচিংবা অমনা পাউচে অসিগা ৱারি শান্নবদা হায়, লৈঙাক পায়মিন্নরবসু এন পি পিগী ওইনদি হান্নদগী হৌনা লোক সভাগী মীখল অসিদা মীরেপ থাদোক্লবা লেপ্পবা লৈরি।

লৈঙাক অসিদা হৌজিক্কী ওইনা পুন্না চৎমিন্নবনা পার্টি অসিনা মরুপ মপাং ওইনা কন্সট্যিয়েন্সি অনিমক্তা মীরেপ থেংনগনি।

পার্টি অসিগী ওইনদি কোংগ্রেস অমসুং বি জে পিনা তৌবগুম্না মীরেপ কৌথোক কৌশিন তৌবগী চৎনবী লৈতে। মীখল অসিদা কনা কনাবু মীরেপ ওইনা থাদোক্কদগে হায়বদু হৌজিক লেপথোকপা লোইরে। অদুম ওইনমক মখোয়গী মীং লাওথোকপগী মতম খরা ঙনলি হায়খি।

লৈঙাক অসিদা চৎমিন্নরিবা অতোপ্পা খোঙবু ওইরিবা নাগা পিপলস ফ্রন্টকী ওইনদি হৌজিক ফাওবা আউটর পার্লিয়ামেন্টরি কন্সটিট্যুয়েন্সিদা মীরেপ থাদোক্কদ্রা থাদোক্লোইদ্রা হায়বদু কুপ্পা য়েংশিনলি। পার্টি অসিগী ওইনদি হৌজিক হৌজিকমক চপ চাবা ফিরেপ অমা লৌবা লৈত্রি হায়না পার্টি অসিগী মচিন চৎপা অমনা ফোঙদোরক্লি।

# লৈঙাক্না লমন খুম্বগী পোলিটিক্সতা মীফা–মীপুল তৌরোইদবনি ঃ মাওইষ্ট

ইম্ফাল, মার্চ ৬ ঃ পোলিটিক্সতা লৈঙাক্না লমন খুম্বগী মওংদা মীপা–মীপুন তৌদুনা মীচম–মীয়ামদা ওৎ–নৈবসি তোক্কদবনি হায়না মাওইষ্ট কম্যুনিষ্ট পার্টি মণিপুরনা মরী লৈনবশিংদা ৱার্নিং তৌরক্লি।

লূপ অসিগী ষ্টেন্দিং কম্মিটিগী কোঅর্দিনেটর কিয়োংহন মঙাংনা থোকপা চেরোল অমনা হায়,লময়ানবা ইরাবতনা চুখৎলম্বা মান্নবা খুন্নাইগী ৱাখল্লোনগী মৈরানা মণিপুরগী কাচিল– কোয়া শীনবা থুংনা অনৌবা মশক মঙাল অমা পীনবা হোৎনবদা শীংনরকপা খুদিংমক থেংননবা মাওইষ্ট কম্যুনিষ্ট পার্টি মণিপুরনা মপূং ফানা শেম শাবা লোইরে। লৈঙাক্না মখোয়গী মায়োক্তা লৈবা খুদিংমক মুখৎনবা অফা–অপূন চত্থরে। অহানবদা ইরেন্দ্রা লৈচোম্বম, অনীশুবা পোপিলাল নিংথৌজম, অহুমশুবদা পাউমি কির্শ্বচন্দ, মরিশুবদা থোকচোম ভীওনবু লৈঙাক্না ঙম্মী মতাগুম অফা–অপূন চত্থখি। লুপশিংগী মরক্তসু নেম্নেল আইদেন্টিটি প্রোটেক্সন কম্মিটি (এন আই পি সি ও) গী লুচিংবশিংবু মরাল থাঙজিন্দুনা অফা–অপূন চত্থখি লোয়ননা মৈরা পায়বী লুচিংবী খরসু ফাবিখি।

রিফোর্মিষ্ট ষ্টুদেন্টস ফ্রন্ট (আর এস এফ) কৌবা মহৈরোই লূপ অমগী মহৈরোই লুচিংবশিং অমগী মথংদা অমা ফাজিন্দুনা লূপ অসিবু মুত্থৎনবা হোৎনরি। ইম্ফা ফ্রী প্রেসনা ফোঙবা অচুম্বা পাউদমদা লৈঙাক্না তকসি শোন্দুনা অচেঙবা তাঞ্জা য়েংলগা দিফামেসন কেস তৌরি।

হৌজিক পাল্লিবা লৈঙাক অসিগী মায়োক্তা ঈহৌ হৌবশিং পোলিটিকেল পার্টি ওইসনু, সি এস ও ওইসনু, মহৈরোই লূপসু ওইসনু নৎত্রগা পাউমীসু ওইসনু খুদিংমক লৈঙাক্না নম্ফু শীজিন্নদুনা মচিল মেন্নবা হোৎনরি। মণিপুরগী খ্বাইদগী অৱাংবা তাইবঙ মহৈকোলদা অহিং নোংয়াইদা লন্দাশিনবা হায়বসি লৈঙাক অসিগী খম থেংবা নম্ফু শীজিন্নবগী খুদম চাংদমনি। হৌজিক মখা তানা মাওইষ্ট কম্যুনিষ্ট পার্টি মণিপুরনা লৈঙাক্কী নম্ফু থৌওংশিং অসি য়েংদুনা তুমিন্না লৈথোক্লরোই। মীয়ামগী ঈহৌ অমদি পেন্দবগী খোল্লাউবু পোলিটিকেল ওইনা থেংনবগী মহুত্তা নম্ফু শীজিন্নদুনা মীয়ামগী মচিল মেন্নবা হোৎনবা দেমোক্রেসিগী ৱাহম্হোক খঙদবগী থৌওংনি হায়রি।